## ষ্টেট লীগকী নৌনা ক্লব অহুম খনখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৮ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৪ দা শরুক য়ান্নবা অম্ফাগী এদজুকেটিব কাউন্সিলনা ক্লব অহুম শরুক য়ান্নবা খনখ্রে।

খল্লবা ক্লবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী নাকো, দি এস এ সদর হিলস্তগী এফ সি খংলাই অমদি দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী ক্লাসা কৈনৌনি। হন্দক্কী ইডিসন অসিদদি টিম ১২ না শরুক য়াগনি।

## সব জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, মে ২৮ঃ* নেস্নেল এথলেটিক ভলন্টরি য়ুঠ ক্লব (এন এ ভি ৱাই) ইরম সিফাইনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা এল গীরিচন্দ্র ষ্টেট লেভেল সব জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদা মায় পাক্লগা এন ৱাই ভি এ নাওরেম, আই জি ও ওইনাম অমদি কে ৱাই ভি এ খোইজুমান সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ক্বার্টর ফাইনেলগী শান্নখিবা মেটচতা এন ৱাই ভি এনা ঐচ ৱাই দি সি হৈক্রুজমবু সেট ৩–০, আই জি ও ওইনাম্না এন এ ভি ৱাই ইরম সিফাইবু সেট ৩–০ দা অমদি কে ৱাই ভি এ খোইজুমাননা এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবম্বু সেট ৩–১ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। আই সি এস এ ইরেংবম অমদি কে এল ৱাই এ (বি) খোইজুমাননা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ সেট ২ শান্নরবা মতুংদা নোংনা মরম ওইবদগী মপুং ফানা শান্নবা লোয়শিনখিদ্রে।

## সাইপো কপ ফুটবোল

*ইম্ফাল, মে ২৮ঃ* কৈবী হৈকক মপাল অৱাং লৈকাই গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহুমশুবা সাইপো কপ সবেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা পি জে পি সি পুখাও খাবম অমদি য়ুম্বু ওইরিবা সাইপো (এ) কৈবী হৈকক মপাল মায় পাকখ্রে।

অয়ুক্তা শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী মেটচতা পি জে পি সি পুখাও খাবমনা ৱাই এল ৱাই সি নোংসুম্বু গোল ৮–৩ দা মায়থীবা পীখি। অতোপ্পা শান্নগদবা মেটচ অমদা এল এস আই সি লাক্তবদগী এস সি ৱাই য়ুম্নাম খুনৌনা ৱাল্ক ওভর ফংখ্রে। নুংথিলদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতনা সাইপো (এ)না সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌবু গোল ৪–০ দা মায়থীবা পীখি।

**ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ হৌখ্রে**

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী বোক্সর ৬ অমদি ইষ্টকী বোক্সর ৫ ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



*ইম্ফাল, মে ২৮ঃ* খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা চত্থরিবা নুপা অমদি নুপীগী ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ গী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বোক্সর ৬, ইম্ফাল ইষ্টকী বোক্সর ৫, নেস্নেল স্পোর্টস একাদেমি, বিষ্ণুপুর অমদি থৌবালগী বোক্সর ৩ / ৩, মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনগী বোক্সর ২ অমদি সেনাপতিগী বোক্সর অমা ফাইনেল চঙখ্রে।

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চত্থরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা শান্নখিবা সব জুনিয়র বোইজ সেমি ফাইনেলগী (দি) কেটাগোরিগী কে জি ৩০ গীদা ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ সুরজনা বিষ্ণুপুরগী কে ঐচ রোহিটপু, (দি)–৩২ কে জি গীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস ভিক্টরনা মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনগী ৱিলজেকসনবু, (দি)–৩৪ কে জিগীদা মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনগী পি জেকসননা চুড়াচান্দপুরগী টি গীরিসপু, (দি)–৩৬ কে জি গীদা এন এস এগী অব্দুল বাসিক্লা মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনগী পি কিংসনবু, ইম্ফাল ইষ্টকী আই বুসনা বিষ্ণুপুরগী এন শ্যামানন্দবু, (দি) – ৩৮ কে জিগীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সি ঐচ তাইগরনা থৌবালগী ঐচ ভিমজিৎপু, বিষ্ণুপুরগী কে এস ঐচ দিজেননা সেনাপতিগী টি ললিৎপু, (সি)–৪২ কে জি গীদা এন এস এগী কে ঐচ মনিমতুমনা মেরি কোম বোক্সিং ফাউন্দেসনগী ঐচ রাহুলবু, (সি)–৪৬ কে জি গীদা সেনাপতিগী এল জোন্সননা থৌবালগী পি ঐচ রোবিনচন্দ্রবু, ইম্ফাল ইষ্টকী এল লনচেনবনা মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনগী ঐচ চিংখৈবু, (সি) – ৪৮ কে জি গীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী টি ঐচ বোনসনা সেনাপতিগী এলেক্স ন্যুমাইবু, এন এস এগী দব্লিউ মোমোচানা থৌবালগী এস শ্যামসুন্দরবু, (সি) – ৪০ কে জিগীদা বিষ্ণুপুরগী এস ঐচ বারুননা এন এস এগী কে ঐচ সুশান্তাবু, (বি)–৪২ কে জি গীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঐচ রবিচন্দ্রনা থৌবালগী কে নাওথোইবু, (বি)–৪৬ কে জি গীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম দয়ানন্দনা মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনগী ঐচ সুসিকুমারবু, থৌবালগী ও মাইকেলনা চুড়াচান্দপুরগী টি ঐচ সুরচন্দ্রবু, (বি)–৪৮ কে জি গীদা বিষ্ণুপুরগী মাইসন এমনা থৌবালগী এ কে নাওতোনবু, মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনগী কে ঐচ কিরনকুমারনা চুড়াচান্দপুরগী এল রোহিটপু, (বি)–৫০ কে জি গীদা ইম্ফাল ইষ্টকী এন ধনেশ্বরনা সেনাপতিগী কে ঐচ সনামচাবু, থৌবালগী এস শ্যামসুন্দরনা বিষ্ণুপুরগী এম সোমোর্জিৎপু, (বি)–৫২ কে জি গীদা ইম্ফাল ইষ্টকী পি ঐচ পোইরৈচান্দনা সেনাপতিগী কে ঐচ ইন্দ্রজিৎপু, (এ)–৪৬ কে জি গীদা থৌবালগী কে ঐচ রাজেশনা বিষ্ণুপুরগী পি বিকাসপু অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ তেম্বনা ঐচ বোনেলবু মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি।

সেনিয়র মেন্সকী শান্নখিবা কে জি ৬০ গী বাউটতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী জি দিনেশনা বিষ্ণুপুরগী এস সনাথোইবু মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। জুনিয়র বোইজকী শান্নখিবা কে জি ৬৪ বাউটশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল জোসন অমদি সেনাপতিগী টি ঐচ হোমেন সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। নুপীগী শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিগী কে জিগী কাংলুপকী ক্বার্টর ফাইনেলগী বাউটশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ও পিঙ্কি, ইম্ফাল ইষ্টকী এল মিনিকা, এন এস এগী এম প্রিয়া অমদি বিষ্ণুপুরগী এস ঐচ রোমি মায় পাক্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

# ইন্টর ৱার্দ ফুটবোলগী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৮ঃ* য়াইফ লমজিং কাংলুপ চিঙারেল টেজপুরগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনীশুবা ৪–খুন্দ্রাকপম জিলা পরিষদ লেভেল ইন্টর ৱার্দ সবেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী লীগ রাউন্দগী মেটচশিং ঙসি শান্নবা লোয়শিনখিবগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেলগী লাইন অপ লোয়খ্রে।

ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা টিমশিং অদুদি শওম্বুং, চিঙ্খু, য়ুম্নাম খুনৌ মখা লৈকাই, খুন্দ্রাকপম ৱার্দ নম্বর ৩, সিনাম, হরাওরৌ পার্ট ১, খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকাই অমদি খুন্দ্রাকপম প্রধান টিমনি।

ঙসি নুংথিলদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী অরোইবা লীগ মেটচতা ৱাইরিনা পাওরাবীবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখি। ৱাইরিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কে খাননা ২৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী অরোইবা লীগ মেটচতনা হরাওরৌ পার্ট ১ না ঙাইরাংবমবু গোল ১১–৩ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে। হরাওরৌগী গোলশিং অদু এম শ্যামসুন্দরনা ২, ৩৯, ৪২,৪৩ অমদি ৪৭ শুবা মিনিটতা মঙা, রুপচন্দ্রনা ১৬, ২৬ অমদি ৩০ শুবা মিনিটতা অহুম, এন রজিব, রোবেন অমদি দব্লিউ মনোরঞ্জননা মথংশিংনা ৩, ৩৪ অমদি ৪৫ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। ঙাইরাংবমগী গোলশিং অদুনা টি ঐচ প্রিতমনা ৬ অমদি ৩২ শুবা মিনিটতা অনী অমদি এন নেত্রজিৎনা ৪০ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। হয়েং নুংথিলগী পুং ১.৩০ দা শওম্বুংগা চিঙ্খুগা অমদি পুং ২.৩০ দা য়ুম্নাম খুনৌ মখা লৈকাইগা খুন্দ্রাকপম ৱার্দ নম্বর থ্রিগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগনি।

# টাই ব্রেক্তা মায় পাক্লগা ফুটবোল ভেটেরান ৱেলফিয়র সেমি চঙখ্রে



*এফ ভি দব্লিউ এ মপাল কাংজৈবুং অমদি ভি এস এ এন নম্বুল মপালনা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ*

*ইম্ফাল, মে ২৮ঃ* ফুটবোল ভেটেরান ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন (এফ ভি দব্লিউ এ) মপাল কাংজৈবুংনা ভেটেরান স্পোর্টস এসোসিয়েসন নম্বুল মপাল (ভি এস এ এন)বু টাই ব্রেক্তা গোল ৮–৫ দা মায়থীবা পীরগা ১৬ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটেরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী অহানবা সেমি ফাইনেল চঙবা টিম ওইখ্রে।

টি আর ভি এস এ মালোম অমদি সদর হিলস কাংপোকপীনা শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচ নোংনা মরম ওইরগা অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৫ চৎলকপা মতমদা রেফরিনা মেটচ অদু শান্নবা লেপহনখি। ৱাংহৌরিবা মিনিটশিং অসিগী মখা তাবা মেটচশিং হয়েং নুংথিলগী পুং ১২ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা এফ ভি দব্লিউ এ অমদি ভি এস এ এননা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী নোর্মেল টাইমগী শরুক্তা এফ ভি দব্লিউ এনা বোল হেন্না পোজিসন তৌদুনা শান্নরবসু গোল ওন্থোকপা য়াবা কয়া মায় পাকপা ঙমখিদবদগী গোললেস দ্রো ওইদুনা লৈখিবনা মরম ওইরগা টাই ব্রেক্লা মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্পখিবদা এফ ভি দব্লিউ এনা গোল ৮ অদুগা ভি এস এ এননা গোল ৫ চল্লগা মেটচ অদু এফ ভি দব্লিউ এনা মায় পাক্তুনা অহানবা সেমি ফাইনেল চঙবা টিম ওইখিবনি।

এফ ভি দব্লিউ এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ খেলেন, কে ঐচ রাজেন খাঙানবা, এন ইটোচা, এন উতম, কে লোকেন, এম দি রসিদ, টি দেবান অমদি এন জুগেশ্বরনা চনখিবনি। ভি এস এ এনগী গোলশিং অদুনা এম সোভা, এস দিনেশ্বর, ৱাই ইশ্বরচন্দ্র, লেৎপাও হাওকিপ, ৱাই ইশ্বরচন্দ্র অমদি ই তোতোনা চনখিবনি। এফ ভি দব্লিউ এগী গোলকিপর ৱাই রঞ্জিৎনা গোল ৩ সেব তৌদুনা টিম অসিনা সেমি ফাইনেল চঙহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা সদর হিলস কাংপোকপী অমদি টি আর ভি এস এ মালোম্না শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শরুক্তা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

হয়েং নুংথিলগী পুং ১.৩০ দা ফ্লামগা টি ভি এস এফ এগা অমদি এফ সি ইম্ফালগা ভি এস এ আইগা শান্নগনি।















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*